# ৭-পে কম্মিসন : ইমপ্লোয়ী লাখ ৩৩ না খোঙজং চঙশিনগদৌরি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৩ (এজেন্সী) :

৭শুবা পে কম্মিসনগী রেকমেন্দেসন মতুংইন্না ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ হেনগৎলকপদা চাং ৱাংনা হেনগৎলক্তে হায়বগীদমক জুলাই ১১ দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ী লাখ ৩৩ রোমনা খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌখ্রে।

ওল ইন্দিয়া রেলৱে মেন ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা নেসনল জোইন্ট কাউন্সিল ওফ এক্সনগী কনভিনর শিবগোপাল মিশ্রানা হায়খি, ৭শুবা পে কম্মিসনগী মতুংইন্না খ্বাইদগী তাবা থাগী তোলোপ লুপা লিশিং ১৮দা লেপ্লি। মমাঙগী পে কম্মিসন মতুংইন্নদি খ্বাইদগী য়ামদবা বেসিক পে লুপা লিশিং ৭ ওইখিবনি। হায়রিবা শেনফম অসিদা ২.৫৭ (ফিটমেন্ট ফোর্মুলা)না পুরিরগা লুপা লিশিং ১৮ ওইহনবনি। ইমপ্লোয়ীশিংগী অপাম্বদি ফিটমেন্ট ফোর্মুলা অসি ৩.৬৮ নি।

মহাক্না হায়খি, দিফেন্সকী পার্সনেলশিং য়াওদনা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী লাখ ৩৩ রোম্না ৭শুবা পে কম্মিসনগী রেকমেন্দেসন অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরে। য়ামদ্রবদা খ্বাইদগী তাবা থাগী তোলোপ লুপা লিশিং ২৬ ওইহনগদবনি।

অমরোমদা, নেসনল কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওফ পেন্সনরস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা কনফিদরেসন ওফ সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজগী প্রসিদেন্ট কে কে এন কুত্তিনা হায়খি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি অমসুং রেলৱে মিনিষ্টর সুরেশ প্রভু য়াওনা মিনিষ্টর কয়ামরুমগা জুন ৩০গী নুমিদাংৱাইরমদা উনখি। উনবা অদুদা মিনিষ্টরশিংনা ইমপ্লোয়ীশিংগী অপাম্বা মতুংইন্না থবক লৌখৎলক্কনি হায়না থাজবা পীরকখি।

জুলাই ৪ নৎত্রগা জুলাই ৫ ফাওবা পাউখুম ঙাইখিগনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা গভর্ণমেন্টনা ইমপ্লোয়ীশিংগী অপাম্বা ফংহন্দবা তারবদি জুলাই ১১ দগী হৌনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা ওল ইন্দিয়া দিফেন্স ইমপ্লোয়ীজ ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সী শ্রীকুমারনা হায়খি, জুন ৯ দা গভর্ণমেন্টকা উনদুনা ৭শুবা পে কম্মিসনগী রেকমেন্দেসন শেমদোক্নবা ৱাফম খঙহনখি। অদুবু গভর্ণমেন্টনা থৌশাখিদে। তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎকী মমল অঙকপা ফংবা ৱাংখৎলক্লবা মতম অসিদা গভর্ণমেন্টনা ইমপ্লোয়ীশিংদা পীগনি হায়না লাউথোক্লিবা থাগী তোলোপ অসিদা পেন্থোকপা ঙম্লোই।

কুমজা ২০০৪ গী ওক্টোবর থাদগী চৎনবা হৌখিবা ন্যু পেন্সন স্কিম (এন পি এস) খুদক্তা লৌথোক্কদবনি হায়নসু এন জে সী এনা তকশিনবা লৈখ্রবনি। অনৌবা থৌরাং অসিগী মতুংইন্না কুমজা ২০০৪গী মতুংদা থবক তৌবা গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিং থবক্তগী পোথারবা মতুংদা থাগী পেন্সন ফংলরোই হায়রি।

# ধাকাগী থৌদোক মতুং তারকপদা ইন্দো-বাংলা বোর্দরদা চেকশিনখ্রে



অগরটালা, জুলাই ০৩ (এজেন্সী) :

হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা ধাকাগী রেষ্টোরেন্ট অমদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা বাংলাদেশকা লোন্নবা কিলোমিটর ৮৫৬ শাংবা ঙমখৈদা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

মকোক থোংবা পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি, ধাকাদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুবগী পাউ হেক ফংবগা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স অমদি ষ্টেট পুলিস য়াওনা অতৈ সিক্যুরিটি ফোর্স খুদিংমক্ক অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। খুৎলায় পায়বা মীওইশিং ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপা য়াই খনবদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবনি।

পনবা য়াবদি, ধাকাগী রেষ্টোরেন্ট অমদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকপদা মশাগী চহী ১৯ শুবদা ঙাইরিবী তারিশি জেন কৌবী ইন্দিয়ন নুপী অমা য়াওনা মীওই ২২ শিবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, থৌদোক অদুগী মতাংদা বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টনা হায়খ্রে মদুদি, ধাকাগী রেষ্টোরেন্ট অমদা এটেক চথুরকখিবা মীওইশিং অদু ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস)কী মিলিটেন্টনত্তে হায়বা চপ চানা খঙলে।

হোম মিনিষ্টর অসাদউজামান খাননা পাউমীশিংদা হায়খি, বাংলাদেশতা আই এস আই এস নৎত্রগা অল-কাইদাগী মীওই অমত্তা লৈতে। লৈবাক অসিদা লিংখৎপা খুৎলায় পায়বা মীওই খুৎপু অমনা থৌওং অদু চথুখিবনি। এটেক চথুরকখিবা মীওইশিং অদু জমাটুল মুজাহিদিন বাংলাদেশ (জে এম বি)গী মীওই ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়ানা থৌদোক অদু মখোয়না থোকহনখিবনি হায়না ক্লেম তৌরকখ্রে।

মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, ধাকাগী রেষ্টোরেন্ট অমদা চথুখিবা এটেক অদু মখোয়ননি। চৈরকসিদা, পুলিসনা থৌদোক অদুদা চেন্নবা খুৎলায় পায়বা মীওই ৬ কী ফোটো চাইথোরকখ্রে। হায়রিবা মীওই ৬ অদু কম্মান্দোনা ওপরেসন চথুদুনা হাৎপা লৈখ্রবনি। তরেৎশুবা মীওই অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ফারবা মতুংদা বাংলাদেশী ইন্টলিজেন্স ওফিসরশিংনা ৱাহং পাউহং চথুরি।

এ কে এম শহিদুল হক কৌবা পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি, সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হাৎখ্রবা মীওই ৬ অদুগী মনুংদা মঙাদি মিলিটেন্টনি। হায়রিবা মীওইশিং অদু মতম কয়াগী মমাঙদগী ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। লৈখিদ্রবা মিলিটেন্টশিং অদু অকাশ, বিকাশ, দোন, বন্ধন অমদি রিপোন কৌই হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা নুমিৎ নীনি লৈবাক্কী থাক্তা অৱাবা ফোঙদোক্লবা খঙহনখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর শৈইখ হসিনানা হায়খ্রে মদুদি, বাংলাদেশকী লৈমায়দগী টেররিজম মরূ ফংনা মুথৎনবা থৌরাং লৌখৎলগনি। রিলিজনগী মিংদা মী হাৎপা লেপকদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# উত্তরখন্দদা তুরেল অয়াম্বা ঈমায় ৱাংখৎলক্লে

ধেরাদুন, জুলাই ০৩ (এজেন্সী):

উত্তরখন্দদা মরুওইবা তুরেল অয়াম্বা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা ঈমায় ৱাংখৎলকপদগী গভর্ণমেন্টনা অকুৎপা মফমদা লৈরিবা মীয়ামবু খুদোংথীবা থোক্লোইদবা মফমদা হোংদোকখিনবা খঙহনখ্রে।

মরকসিদা, রিশিকেশ-বদ্রিনাথ নেসনল হায়ৱেগী মফম কয়াদা হৌজিকসু লন্বী ফাওনদ্রি। গঙ্গোত্রি অমসুং যমুনোত্রি নেসনল হায়ৱেগী মফম খরদসু নোংনা মরম ওইরদুনা লন্বীগী ফীভম কা হেন্না শোকচিনহনখ্রে। বি আর ও অমদি পি দব্লিয়ু দিগী মীওইশিংনা মরুওইবা লন্বী অহুম অসি চৎথোক চৎশিন তৌবা য়ানবগীদমক অকনবা থৌরাং লৌখৎলি।

খঙহৌদনা অকনবা নোং চুরকপদগী মীশি-মীনা অমসুং অমাঙ-অতা থোকখ্রবা ষ্টেট অসিগী খুঙ্গং কয়াদা মখা তানা মতেং পাংবা অমদি মী কনবগী থবক পায়খৎলি। পিটোরাগর অমসুং চমোলি দিষ্ট্রিক্টতা নোংনা মরম ওইরদুনা শিহনখিবা মীশীং ১৬ শুখ্রে। পিটোরাগরগী দিদিহট টেহসিল মনুং চন্না লৈবা বাস্টারি য়াওনা খুঙ্গং তরেৎতগী মীওই ১৩ রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা হিংনা কনবা ঙমখি। অশোক-অপন নংলবা মীওইশিং অদু হোস্পিটালদা লায়েংলি। হৌজিক ফাওবদা হায়রিবা মফমশিং অদুদগী অশিবা হকচাং ১০ ফংবা ঙমখ্রে। অতোপ্পা মীওই ১৭ অতেক-অকায় মরক্তা ননশিনখ্রে হায়না থাজনরি। চমোলি দিষ্ট্রিক্টকী খুঙ্গং মরিদা মীওই তরুক শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা অহুম থিবা খঙদ্রি।

মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর হরিশ রাৱটনা মীয়ামগী পূক্নিং ফাথনবা হোৎনরদুনা হায়খিবনি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং লৌখৎলিবা মরম্না ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না থোইদোক্না মীপাইবা পোক্লিংঙাই ওইদে। অৱাবা তারবা মীয়ামদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পীফম থোকপা মতেং পীগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মরকসিদা, নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ), ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফন্দ (এস দি আর এফ), আর্মি, ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি টি), সসস্ত্র শীমা বল (এস এস বি), ষ্টেট পুলিস অমসুং রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা মতেং পাংবা অমসুং মী কনবগী থবক পায়খৎলি।

অমরোমদা, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্ট প্রকাশ জাবদেকরনা হায়খ্রে মদুদি, গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরদুনা মহৌশাগী খল কায়রকপদগী উত্তরখন্দদা খঙহৌদনা অকনবা নোং চুরকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা গভর্ণমেন্টনা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীরগনি হায়রি।

# য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহনবগী ৱাফম য়ু দি এফনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

টিরুবনন্তপুরম, জুলাই ০৩ (এজেন্সী):

বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরগী এন দি এ গভর্ণমেন্টনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা কেরলাগী য়ু দি এফনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।



কেরালা এসেমব্লিগী ওপোজিসন লীদর রামেশ চেনিতালানা হায়খি, করিগুম্বা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহনবা তারবদি লৈবাক অসিদা মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুঙাইনদবা থোরকপা য়াই।

পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, তোঙান-তোঙানবা লাইনিং চৎপা অমসুং চৎনবী মান্নদবা মীওই কয়ানা খুন্দাবা লৈবাক অসিদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহনবা য়ানিংদে। য়ু দি এফকী কোলিসন পার্টনর অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন মুস্লিম লিগ (আই য়ু এম এল)নসু য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহনবগী ৱাফম অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

লিগকী সেক্রেটরি ঈ টি মহমদ বাসিরনা হায়খি, জুলাই ২০ দগী ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই য়ু এম এলগী নুমিৎ নীনিগী ওইবা নেসনল ইগজিক্যুটিব কম্মিটিগী মীফমদা হীরম অসিগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া খন্নগনি। য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহল্লকপা মতমদা মীশীং য়ামদবা মীওই ফুরুপশিংনা মায়োক্নগদবা খুদোংচাদবা অদুগী মতাংদসু কুপ্না খন্নগনি।

অমরোমদা, বিহারগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর টেজাস্বি যাদবনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহন্নবগী মতাংদা সেন্টরনা লৌখৎলিবা থৌরাং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সন নকশিল্লকপা মরম্না সেন্টরদা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা বি জে পিনা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবশিং লৌনবগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। মীয়ামবু অপঙবা শীনবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি অকনবা মওংদা য়ানিংদে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা বি জে পিনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহনবা পাম্লবদি পার্টি অসিনা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা হান্না চৎনহনগদবনি। মশাগী খুদোংচাবা খরা ফংনবগীদমক সেন্টরনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা তোঙান তোঙানবা মীওই ফুরুপ কয়াগী মরক্তা শীংচেপ থাজিনবা ওইনা থোক্লগনি।

য়ুনিয়ন লো মিনিষ্টর সদানন্দ গৌদানা হায়খিবনি মদুদি, পার্লিয়ামেন্টতা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদকা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া পুখৎলকখিবা মরম্না লো কম্মিসনদা হীরম অসিগা মরী লৈনবা রিপোর্ট অমা পীরক্নবা খঙহনখ্রে।

লো কম্মিসনগী রিপোর্ট অদু ফংলবা মতুংদা লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি। করিগুম্বা কোদ অসি চৎনবা থোক্লবদি তোঙান-তোঙানবা লাইনিং চৎপা মীওই খুদিংমক্কী পার্সনেল লো চপ মান্নবগী ফীভমদা লৈরগনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি মুস্লিম অমসুং হিন্দুগী তোখায় তোখায়বা পার্সনেল লো লৈরিবনি।

# শ্রীলঙ্কানা ইন্দিয়াগী ঙামী ৫ ফাখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ০৩ (এজেন্সী):

শ্রীলঙ্কন নেভিনা ঙসি অয়ুক ইন্দিয়াগী ঙামী মঙা ফাখ্রে। সমুদ্রদা ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা ঙা ফারম্বগীদমক ঙামীশিং অদু ফাখিবনি হায়রি। অমরোমদা, টামিল নাদুগী ঙামীশিংগী ওইবা ওর্গনাইজেসন অমনদি ঙমখৈ লানশিন্দুনা ঙা ফাখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

মতৌ অসুম্না য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীনা ঙমখৈ লানশিল্লি হায়বগীদমক অমনা অমগী ঙামী ফাবগী থৌদোক মমাঙদসু কয়ারক হন্না থোকপা লৈখ্রবনি। মমাঙ থাদসু নেদুনথীবুদা শ্রীলঙ্কন নেভিনা ইন্দিয়াগী ঙামী মরি ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হী অমগা কোন্না ফাখি। ফারবা ঙামীশিং অদু শ্রীলঙ্কন ফিশরিজ দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর জয়ললিতানা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা অথুবা মতমদা ঙামীশিংবু থাদোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না তকশিনখি।

ইচম চম্না ঙা ফারগা হিংজবা ঙামীশিং ফাজিনখিবগী থৌওং অদু কন্দেম তৌরদুনা জয়ললিতানা হায়খি, সেন্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা পাম্বৈ লৈত্রবা ঙামীশিং অদু থাদোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

প্রাইম মিনিষ্টরদা থাবা চেরোল অমদা মহাক্না হায়খি, হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী ঙামী ২৪ অমসুং ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হী ৯৩ শ্রীলঙ্কন নেভিগী কষ্টদিদা লৈরি। এন দি এ গভর্ণমেন্টনা শ্রীলঙ্কাগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগা ৱারী শানদুনা ফাজিনখ্রবা ঙামীশিং অমদি ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হী পুম্নমক থাদোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

ঙামীশিংগী চপ চাবা রাইট ফংহনগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা চীফ মিনিষ্টর জয়ললিতানা হায়খি, কুমজা ১৯৭৪ অমসুং কুমজা ১৯৭৬ তা ইন্দিয়া অমদি শ্রীলঙ্কানা সাইন তৌনখিবা এগ্রীমেন্টশিংগী মতুংইন্না সমুদ্রদা ঙা ফারগা হিংজবা ঙামীশিং শ্রীলঙ্কন নেভিনা ফাবা য়াদে।

মহাক্না হায়খি, য়ানখিবা ৱাফমগী মায়োক্তা শ্রীলঙ্কন নেভিনা চথুরকখিবা থৌওং অদুগী মতাংদা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা টামিল নাদু গভর্ণমেন্টকা ৱারী শানফম থোকই।

# মেসিভ ওপন ওনলাইন কোর্স লোঞ্চ তৌরগনি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৩ (এজেন্সী):

হ্যুমেন রিছোর্সেস দিভলপমেন্ট (ঐচ আর দি) মিনিষ্ট্রিনা ওগষ্ট ১৫ দা মেসিভ ওপন ওনলাইন কোর্স (এম ও ও সী) লোঞ্চ তৌরগনি। স্বায়ম হায়নসু খঙনবা থৌরাং অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী মহৈরোয় ক্রোর ৩ লোম্না তোঙান-তোঙানবা কোর্স লিশিং ২ রোম তম্নবগী খুদোংচাবা ফংগদৌরি।

ছোর্স অমনা হায়খি, অখন্নবা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লোঞ্চ তৌগদৌরিবা প্রোজেক্ট অদুগীদমক শেম শাবা লোইরে। ক্লাস নাইনদগী হৌরগা পোষ্ট গ্রেজুয়েট ফাওবগী থাক্তা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনদা মহৈ তম্বা ফংনবগীদমক লৌখৎলিবা গভর্ণমেন্টকী থৌরাং অসিনা মহৈরোয় কয়াদা খুদোংচাবা ফংহনবা ঙম্লগনি হায়না ছোর্স অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা মাইক্রোসোফটকা খুৎশম্নরগা লৌখৎকদৌরিবা থৌরাং অসিগী মখাদা ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা মহৈরোয়শিংদা লেম্না ষ্টদি মেটেরিএলশিং ফংহনগদৌরি।

পনবা য়াবদি, য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সী)না লৈবাক অসিগী শোথনা লৈহৌরবা মীওই ফুরুপশিংদা মহৈ-মশিন তম্বীনবা থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা হন্দক্তা দ্রাফট ন্যু এদ্যুকেসন পোলিসি (এন ঈ পি) পুথোকখিবগা লোয়ননা ক্লাস ফাইব ফাওবা মহৈরোয়শিংবু ফেল ওইহন্দনবা অমসুং এদ্যুকেসন সেক্টরদা শেল হেন্না থাদনবগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটতা থাগৎলকখিবা দ্রাফট পোলিসি অসিগী মতুংইন্না মহৈ-মশিন তম্বগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা এদ্যুকেসন কম্মিসন অমা শেম্লগনি হায়রি। মপান লৈবাক্কী য়ুনিভর্সিটিশিংবু লৈবাক অসিদা কেম্পস হাংনবগী খুদোংচাবা পীরগনি হায়নসু দ্রাফট পোলিসি অদুনা ফোঙদোকখি।

মমাঙদা চৎনখিবা থৌশিল অমগী মখাদা মহৈরোয়শিংবু ক্লাস আইট ফাওবা ফেল ওইহন্দবা তারবসু অনৌবা এদ্যুকেসন পোলিসি অদুগী মতুংইন্না মহৈরোয়শিংবু ক্লাস ফাইব ফাওবা ফেল ওইহল্লরোই হায়রি।

NO DONATION! ꯃꯇꯝ ꯁꯥꯗꯔꯕ ꯊꯕꯛꯀꯤ পাও NO DEPOSITE

NORTH EAST INDIA SECURITY SERVICE (NEISS)

NAGAMAPAL MAIN ROAD, PHOUGEISHANGBAM LEIKAI, IMPHAL-01.

Over 1(one) decades of service with trust.

CONTACT US AVAILING SERVICES ANYWHERE IN MANIPUR.

| Sl.No. | Post | No's | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Security Guard M/F | 36 | VIII (eight) passed & above | 5500-12000 |
| 2. | Security Supervisor | 07 | Ex- Serviceman from Defense | (Negotiable) |
| 3. | Gun man | 07 | VIII (eight) passed & above | 7000-14000 |
| 4. | Field Executive M/F | 12 | 10 (Ten) Passed & above | 5000-10000 |

First Come first serve

Office hour:-10 am to 4.30 pm.

Contact no. 8732861760 /8794949410

Sd/- Manager

HL-P/9008/4

CAS Centre for Advanced Studies

No.1 in Manipur

The only institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN

CLASS XII & CLASS XI

NEW BATCH (2016 - 2017)


CLASS X

(Eng, Maths, Science., Social Sc. & Man)

SPECIAL FEATURES:

- Special Guest teachers(Council & Board).
- Experienced and Expert Faculties.
- Exam. Oriented Chapterwise Study Materials.
- Weekly and Monthly Test Series.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Vision for toppers.

New Evening Batches Commencing from 11th July, 2016 (4.30– 7.30) P.M.



17th Position Y. Sadananda 90.6%HSLCE(2015)



15th Position Waikhom Sylvish 92%HSLCE(2013)



16th Position Sonia Naorem 89%HSLCE(2012)

New Batches Commencing from 11th July, 2016

Morning Batch (4.30– 7.30) A.M.

Van Service, Hostel for BOYS & GIRLS available

For Details contact:- CAS Office Centre for Advanced Studies Keishampat Junction, Imphal.

HL-B/3121/2 Jun to2 Aug (Alt)

HL-B/3123/3/06-2/07

ꯇꯦꯂꯤꯐꯣꯟ/ লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হস্থরক্কনি। ফম্বী চাং হস্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হস্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),

Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3123/3/06-2/07

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

*Sub:* Allotment of land

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Moirang, the 2nd July 2016

With reference to Sect. 14 of the Manipur Land Revenue and Land Reforms Act 1960, the following 36 persons have applied for allotment of land under Revenue Village No. 66-Ithing. Application are invited from the interested persons for filling of objection in this matter within 7 (seven) days from the date of publication of this notice; failing which the Court of the undersigned shall proceed as per the laid rules.

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Moirang**

| Sl. No. | Name of the applicant | Area applied for (in acres) | Parent Dag No. |
|---|---|---|---|
| 1. | Tongbram Babudhon Singh | Area of 0.9 acres | Dag No. 40 |
| 2. | Tongbram Yaima Singh | Area of 0.14 acres | –do– |
| 3. | Moirangthem Tomchou Singh | Area of 0.20 acres | –do– |
| 4. | Moirangthem Sanamatum | Area of 0.20 acres | –do– |
| 5. | Oinam Khadrakpa Singh | Area of 0.10 acres | –do– |
| 6. | Moirangthem Premjit Singh | Area of 0.15 acres | –do– |
| 7. | Khwairakpam Sanayaima Singh | Area of 0.10 acres | –do– |
| 8. | Tongbram Dinesh Singh | Area of 0.20 acres | –do– |
| 9. | Moirangthem Mukta Singh | Area of 0.20 acres | –do– |
| 10. | Moirangthem Bikananda Singh | Area of 0.14 acres | –do– |
| 11. | Khwairakpam Santa Singh | Area of 0.16 acres | –do– |
| 12. | Khwairakpam Priyokumar Singh | Area of 0.15 acres | –do– |
| 13. | Khwairakpam Rajkumar Singh | Area of 0.14 acres | –do– |
| 14. | Khwairakpam Bira Singh | Area of 0.05 acres | –do– |
| 15. | Khwairakpam Tomba Singh | Area of 0.05 acres | –do– |
| 16. | Moirangthem Naobi Singh | Area of 0.08 acres | –do– |
| 17. | Moirangthem Mohon Singh | Area of 0.15 acres | –do– |
| 18. | Pukhrambam Amubi Devi | Area of 0.12 acres | –do– |
| 19. | Khwairakpam Sangoimema Devi | Area of 0.08 acres | –do– |
| 20. | Moirangthem Ibopishak Singh | Area of 0.06 acres | –do– |
| 21. | Khwairakpam Kosmo Singh | Area of 0.06 acres | –do– |
| 22. | Khwairakpam Jilla Singh | Area of 0.06 acres | –do– |
| 23. | Khwairakpam Ibohal Singh | Area of 0.06 acres | –do– |
| 24. | Chingambam Ningthem Singh | Area of 0.03 acres | –do– |
| 25. | Aribam Pishak Sharma | Area of 0.04 acres | –do– |
| 26. | Aribam Gopen Sharma | Area of 0.04 acres | –do– |
| 27. | Aribam Gyan Sharma | Area of 0.04 acres | –do– |
| 28. | Aribam Kabi Sharma | Area of 0.04 acres | –do– |
| 29. | Khwairakpam Chinglensana Singh | Area of 0.02 acres | –do– |
| 30. | Khwairakpam Leirangbi Devi | Area of 0.02 acres | –do– |
| 31. | Pukhrambam Megha Singh | Area of 0.02 acres | –do– |
| 32. | Khwairakpam Ramananda Singh | Area of 0.10 acres | –do– |
| 33. | Pukhrambam Khelen Singh | Area of 0.10 acres | –do– |
| 34. | Khwairakpam Shyamjai Singh | Area of 0.07 acres | –do– |
| 35. | Khwairakpam Nabachandra Singh | Area of 0.08 acres | –do– |
| 36. | Pukhrambam Irabot Singh | Area of 0.05 acres | –do– |

HL-P/9018/4